Monday, October 10, 2022, Imphal

HUEIYEN LANPAO

ইম্ফাল ৰেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ফয়েংগী ইপা সোরারেনগী লাইফমগী নৌনা শেম্বা খোঙ কাখৎফম শঙ্গাবগী থৌরম অমদা সোসল ৰেলফেয়র মিনিষ্টর মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা



মোদেল হায় স্কুল মেট্রিক বেটচ ১৯৭৬না শীন্দুনা মখোয়গী তাকপী তন্বীরকপা মতম অদুগী চহী য়ান্নবা ওজাশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজাশিংদসু হৈ-লৈ কৎতুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং



লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ৬৭শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরমগী মরী লৈননা ৪৬শুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল এম এল এ রাধেশ্যাম অমদি এম এল এ করাম শ্যামনা শরুক য়ারদুনা লাইরিক ফোঙখিবা



চীংমীনি ময়ান্নগি, তম্মীনা মনাওনুপানি হায়বা অমতা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখোত্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী ওইনসু ২৭শুবা মেরা হৌচোংবগী ফেষ্টিভেল মোইরাং চেঙৈ লম্পাক্তা এম এল এ লেটজামাং হাওকিপনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখিবা



## প্রেমিয়র সো উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী ২৯শুবা প্রদক্সন *সাখরাম বাইন্দর* হায়না মিংথোনবা দ্রামগী প্রেমিয়র সো ঙরাং নুমীদাং ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লিবর্টি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা উৎখ্রে। প্রেমিয়র সোগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোনন্না অথোইবা মীথুং, লিবর্টি ঠিএটর ককচিংগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম সত্যানা থৌরম মপু অমসুং শক্লাইরবা লীলা ইবা ক্ষেত্রি সনাজাওবনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

## তরাম্না ওকই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ৱিমেন ৱিংগী চ্যেরপর্সন ওইবীরন্বী নিংথৌজম রোমিবালাদা ইন্দিয়ন এম্পিয়র য়ুনিভর্সিটি, টামিল নাদুনা ওনরেরি ডোক্টরেট দিগ্রী পীরকপবু ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা তরাম্না ওকচরি হায়না ফ্রন্ট অসিগী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌজম রোমিবালা সোসল এক্টিভিষ্ট অমনি। মহাক মীয়ামগী খনবা, মীয়ামগীদমক থবক তৌবদা অহিং-নুংথিল খায়দবা, সেক্যুলর ওইবা ৱিমেন সোসল এক্টিভিষ্ট অমনি। অসিগুম্লবা মীওই অসিনা মখা তানসু লৈবাক মীয়ামগীদমক শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ক্ষেত্রিময়ুম শরতনা খোমজিন্দুনা শেমগৎ-শাগৎপা *মতমগী মণিপুরী ৱাহৈ লোনগৈ* হায়বা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর হিজম তোম্বী, সাহিত্য একাদেমী, ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংলবা হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর, মণিপুরী এদভাইজর বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা অইবী অয়াম ইবেতোম্বী অমদি লমদম অসিগী অইবা-অইবী কয়াসু শরুক য়াখি।

## সোসল মীট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এস এম এস য়ু)না শীন্দুনা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ওদিটোরিয়ম হোল, শিল্লোংদা ৪৬শুবা ফ্রেসস কম সোসল মীটকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এস এম এস য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি জুলিয়া চিঙ্গাংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা চীফ গেষ্ট, ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সীল মেঘালয়গী রিটায়র্দ সিনিয়র প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়র ইবোহল ক্ষেত্রিময়ুমনা প্রসিদেন্ট, এমসু হেদ ক্বার্টরগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স সেক্রেটরি ৱাংজম সনাতোম্বা অমদি এম ও ডা. লুতিকা নেপ্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মণিপুরী চনুরা খোর্জেলূপ কছারনা শীন্দুনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী চনুরা খোর্জেলূপ কছারনা শীল-লাঙদুনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ লখিপুর জুনিয়র কোলেজ, ফুরেলতালদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুরী চনুরা খোর্জেলূপ কছারগী জেনরেল সেক্রেটরি এম সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ থৌরম অদুগী মনুং চন্না অয়ুক পুং ১০ তাবদা লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম অঞ্জনানা মীফম মপু, জিসি কোলেজ সিলচর মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী থবক্তংগী পোত্থারবা কঙাবম নয়নচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী নাওরেম বিদ্যাসাগরনা অখন্নবা মীথুং অমদি লৌখাম অতোলসিংহগা লোয়ননা সী ঐচ মোহনসিংহনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী অহৌবদা সী ঐচ বিদিতনা শৈহৌ ঈশৈ শক্তুনা থৌরম হৌদোকখি। লূপকী থৌবুরেল মোইরাংথেম সোবিতানা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। লোয়ননা সগাপম মেরিনানা ৱাহৌদোক ওইনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎকী মরমদা মীয়ামদা মচা খায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ অদুদা ইঙুদম বিনোদ, ইঙুদম সতিশ, জি নরহরি শর্ম্মা, খাইদেম কান্ত অমদি জিরিবামদগী লাকপা ৱাই বলিয়া তোম্বীনচিংবনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোকখি।

নুংথিলগী থৌরমদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী নাওরেম বিদ্যাসাগরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা জিরিবাম, সিলচর, বন্তরাপুর, সোনাই, বাসকান্দি অমদি লখিপুরনচিংবা মফমশিংদগী লাকপা অইবা-অইবী ৩৫না মশা-মশাগী অইবা শৈরেংশিং পাথোকখি। লোয়ননা লূপকী মায়কৈদগী শৈরেং শৈদিন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা অইবা-অইবী খূদিংমক্তা সর্টিফিকেট অমমম পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক মণিপুরী শৈরেংগী ওইরিবা ফীভম অমদি মতম অমদা মণিপুরী শৈরেংগী ওইরিবা মওং মতৌ অমসুং হোংলক্লিবা শৈরেংগী মরমদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাংলোয়শিংনা মশা-মশাগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। থৌরমগী অরোইবদা অনিতানা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

# শুমাং লীলানা খুন্নাই অসিবু অফবা অচুম্বা মায়ওনদা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি : লেটপাও হাওকিপ




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : শুমাং লীলানা খুন্নাই অসিবু অফবা অচুম্বা মায়ওনদা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লোয়ননা লমদম অসিগী ৱাথোক-লান্থোক কয়াবু লোইশিন্নবা হোৎনবদা শুমাং লীলানা অফবা খুদম অমা ওইরি হায়না ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

শুমাং লীলা কাঙলুপ অমা ওইরিবা সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্টনা চহী ২৫ মপুং ফারকপগী লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ হয়িং খোংবালদা পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন দে কম সিলভর জুবিলিগী থৌরমদা মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা মখা তারদুনা হায়, অফবা শুমাং লীলা অমা ওইবদা অফবা অইবা য়াম্না মরুওই। শুমাং লীলানা খুন্নাইদা এদ্যুকেসন পীবগী মেদিয়ম অমা ওইদুনা ফজ-ফজরবা পাউজেল কয়া পীবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিবু অওনবা, চাউখৎপা অমদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা ফত্তবা লীচৎ কয়াবু শেমদোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা স্কোলারশিংসু শুমাং লীলা ইদুনা লমদম অসিবু অফবা মায়ওন অমদা শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক হোৎনবগী মতম য়ৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভি সী, পি গুনিন্দ্রোনা থৌরম মপু অমদি শুমাং লীলা কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমা, শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ বোর্দকী চ্যেরমেন এল তোমপিশক, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী এদভাইজর এল তর্পন, লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর নামোইজম তোম্বা, শুমাং লীলা কাউন্সীলগী ৱার্দ কম্মিটিগী চ্যেরমেন ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনচিংবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী ফাউন্দর সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা, মপোক কুমওন পাঙথোকপা অসিনা মাঙলমচৎতা তৌখিবা কয়াবু নীংশিংবদা নত্তনা হিষ্ট্রি শেম্বদা মরুওইরি। ঙসিদি চহী ২৫ মপুং ফারক্তুনা সিলভর জুবিলিগী থৌরম পাঙথোকপা ঙম্বদা লমদম অসিগী মীয়াম পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লীলা কাঙলুপ অসিদগী থোকখিবা আর্টিষ্ট কয়ানা ঙসিদি মণিপুরগী লীলা কাঙলুপ কয়া মায়পুনদুনা চৎলি। লোয়ননা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইখিবদা পূক্নিংদা অপেনবা পোকই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা লীলা কাঙলুপ অসিগী সিনিয়র আর্টিষ্টশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

## সী পি আইনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : পাৎশোই লোকেল কাউন্সীল সী পি আইগী লোকেল কাউন্সীলগী মীফম অমনা পার্টি অসিগী জননেতা হিজম ইরাবতকী য়েৎকী পাম্বোম ওইরম্বা অহল ইবুংঙো মীয়াম্না নুংশিনা কৌবীবা কমরেদ এম আই মোইরাংথেম ইবোহলনা ওক্টোবর ৩, নিংথৌকাবা নুমীৎকী অয়ুক অঙনবদা তোপ খোংনাংখোংদা লৈবা মশাগী শঙ্গাইদা লৈখিদবদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না লোকেল সেক্রেটরি খুমুকচম জয়কুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা কমরেদ এম আইনা তোল্ল-তারবা মীয়াম, মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক চঙশিনখিবা ঈহৌদা মতম অদুগী লৈঙাক্লা চহী ৭ জেলদা মীয়াৎ তাহনখি। মণিপুরনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরিঙৈ কুমজা ১৯৬৭তা কমরেদ এম আই সগোলমাং কন্সটিট্যুএন্সিদগী এম এল এ ওইনা কাখি। লোয়ননা মতম শাংনা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি অমসুং নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনসু থবক তৌরমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মপোক নুমীৎ পাঙথোক্তুনা ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ৬৭শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালগা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪৬শুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেলসু ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লৈবা দ্রামা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন দে অমদি দ্রামা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম অমদা লংথবাল এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ করাম শ্যাম অমদি হিয়াংলম এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যাম য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ৬৭শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরম অমদি দ্রামা ফেষ্টিভেল হৌদোকখিবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী লৈখিদ্রবা থৌমীশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা থৌমীশিং অদুগী মফমদা হৈ-লৈ কৎতুনা থৌনিজখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, দ্রামানা খুন্নাই অমবু অহোংবা পুরকপদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা শিথরক্লিবা দ্রামাগী ঈহৌ অসি নৌহৌননা শাগৎপা মথৌ তাই। লোয়ননা দ্রামাবু অমুক্কা হেন্না মশক থোক্লা ফজহন্নবা পুম্নমক্লা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্না ঙসিদগী হৌদুনা ৪৬শুবা খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দ্রামা কাঙলুপ ১৬না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেনশিং তান্নগদৌরি হায়রি।

## ওক্টোবর ১৪দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন (এ এম এস এস টি এ)না চহী খূদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা এ এম এস এস টি এ ওবজার্বেসন দেগী ৫রকশুবা ওইনা হন্দক চহীগী লাক্লিবা ওক্টোবর ১৪দা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এন কেনেদিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ অসিদা ভেন সর্ভিস তৌবীরম্বা লৈখিদ্রবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। মরম অদুনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর খূদিংমক্না থৌরম অসিদা শরুক য়াগদবা মরম্না নুমীৎ অসিগী ওইনা ভেন সর্ভিস লেপকনি। পেরেন্টস গার্জিয়ানশিংনা নুমীৎ অসিগী ওইনা ট্রান্সপোর্ট মেনেজ তৌবীনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, লোকেল ক্লব, ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন অমদি লমদম অসিগী ইমা-ইবেলশিংনা মঙাশুবা এ এম এস এস টি এ ওবজার্বেসন দে নুমীৎ অসিদা মখল অমত্তগী বন্দ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবীগনু হায়রি।

## ইচু ফিরাল চিংখৎতুনা থৌনিজখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : য়ৌরবুং অপোকপগী শঙলেনদা ফমলেন ফম্বাল ইরাৎ থৌরম তৌবগা লোয়ননা ইচু ফিরাল চিংখৎতুনা ইপুরোই অপোকপগী মফমদা তেংবানবা অমসুং তাইবংপানবা মীওইবা ফুরুপ পুম্নমক্কী য়াইফনবগীদমক্তা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা পূক্নিং লীচিং অমত্তা ওইনা থৌমিন্নখ্রে হায়না অপোকপা মরুপ শঙলেনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কম পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোঙাম নাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুংথিলগী থৌরমদা অপোকপা মরুপকী শৈশকপী ইবেম্মা চিঙাখম খুমনলৈমা অমসুং ইবেম্মা সনাতোম্বী অনীনা অপোকপগী মতিক ময়াই শক-শোন্দুনা ইপা-ইপুগী খুভমদা ঐখোয় মীতৈ পুম্নমক ইশাগী ইমালোল চাউখৎহন্দুনা মীতৈদি মীতৈ ওইনা হিংদুনা মালেমদা মীতৈ মশক তাক্লসি, মীতৈ মরুপ চাউখৎনবা হোৎনমিন্নরসি হায়না থৌনিজখি। মীফম অসিদা অহল সেরাম দেবসিংনা ফম্বাল ইরাৎ থৌগল তৌবীখি। থোকচোম কুবের মীতৈনা মীফম মপু ওইদুনা কুমজা ১৯৫১দা অপোকপা মরুপকী মৈরা থাবুং লাইনিং মীফম অচৌবা কছার লমদমদগী অপোকপা মরুপকী লুচিংমবা অহল লৌরেম্বম তোঞ্জাওসু শরুক য়াখি।

## হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : নোংমগী ওইবা মল্টি দিসিপ্লিনরি হেল্থ কেম্প অমা ঙসি কংলাতোংবী বজার বোর্দতা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, লায়ন্স ক্লব ওফ নোর্থ, লায়ন্স ক্লব ওফ নোদন হেমেস্ফিয়র অমদি য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব কংলাতোংবীগা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী সেক্রেটরি লায়ন মানস মাইস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা হেল্থ কেম্প অদু জেনরেল মেদিসিন, গাইনিকোলোজি, পেদিয়াট্রিক্স, আই স্ক্রিনিং অমদি দাইবেটিস স্ক্রিনিংনচিংবশিং পাঙথোক্তুনা চাউরাক্লা মীওই ২৬০ রোম হেন্না চেক অপ তৌবদা নত্তনা হিদাকসু লেম্না য়েন্থোকখি। কেম্প অদুদা লায়েংলিবা দিসিপ্লিনশিংদা লায়ন্স দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন ডা. দব্লিয়ু গোপিমোহোনন্না পর্সনেল সুপরভিজন তৌখি। লায়ন্সকী মেম্বর ওইরিবা লায়ন ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা পেদিয়াট্রিক্সতা লায়েংখি। লায়ন ডা. এল চাওবনা আই স্ক্রিনিংগী থৌদাং লৌখি। লোয়ননা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট লায়ন ডা. পি ব্রজমনিনা ডোক্তরশিংগা কোওর্দিনেসন তৌখি। লোয়ননা কেম্প অদু য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লব কংলাতোংবীনা মতেং পাংদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকখি হায়রি।

## মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ওজাশিংবু খুরুমজখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : সগোলবন্দ খন্নাম বজারদা লৈবা মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি মোদেল হায় স্কুল মেট্রিক বেটচ ১৯৭৬না শীন্দুনা ওজাশিংবু খুরুমজবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসিদগী চহী ৪৬কী মমাঙদা স্কুল অসিদগী কুমজা ১৯৭৬তা মেট্রিক এগজাম থাখিবা মহৈরোয়শিংনা পুনশিন্দুনা মতম অদুদা মহৈ তম্বীরকখিবা ওজাশিংগী মফমদা অচম্বা খুদোলপোৎ কয়া পীবগা লোয়ননা মমেন্টো অমমমসু পীখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজাশিংগী মফমদসু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা অৱাবা ফোঙদোকখি। থৌরমসিগী মতাংদা অশিল-অরাং তৌরিবশিংগী কনভিনর ওইরিবা শরতচান্দ থিয়ামনা ফোঙদোকখিবদা, পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইবসি ওজা মশক খঙবনি। ওজাশিংগা মহৈরোয়শিংগা লৈনরিবা নুংশি মরী অসিনা অসুক্কী মতিক চেৎলিবমখৈ লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা লাক্কনি। ওজা মশক খঙলক্ত্রবা মতমদা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্কনি। মরম অসিনা ওজাশিংগা মহৈরোয়শিংগা য়াম্না নুংশিননা হিংমিন্নবা মথৌ তারে। ওজাগা মহৈরোয়শিংগা লৈনরিবা নুংশি মরী অসি মন্তিক্লবা য়ারোই। মসিদি থম্মোয়গী অচেৎপা মরীনি। অসিগুম্লবা মরী অসি ঙসিসু লৈরি হায়বদু উৎনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ৮৬ হেল্লবা মতম অদুদা ওজা অমা ওইখিবা পোৎশংবম মঙ্গিনা ফোঙদোকখিবদা, মতম শাংনা ওজা অমা ওইনা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাকখিবা খোঙচৎ অসিদা ঙসিমুক নুংঙাইবা নুমীৎ অমা লৈখিদ্রি। ঐখোয়বু নৌহৌননা চহী ৪৬কী মতুংদা অমুক উনবা ফংবসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্বা থৌরম অসি পুম্নমক্লা তমজনিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## ওক্টোবর ১৭তা *নোংমৈ পায়বা রেপিষ্ট* রিলিজ তৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমনা পুথোকপা *নোংমৈ পায়বা রেপিষ্ট* হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ১৭তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লমশিংগী ক্লব ২০০ রোমগী মেম্বরশিংগা ইম্ফালগী কোনুং মমাঙদা লৈবা এম এস এফ দি এসতা অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা রিলিজ তৌরগনি হায়না ৱিমেন্স এগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর সৌবাম সোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা কুমজা ২০১০দগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা, থোকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা, নুপী অমদি নুপা অনীগী মরক্তা থোকপা থৌদোকশিংদা, থৌদোক থোক্লিবা লম-লমদুগী ক্লবশিংগা থৌদাং লৌমিন্নদুনা লাকখিবনি। মীয়াম পুন্না ৱাখল খন্থমিন্নবা, ক্রাইম থোক্তবা লমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা, ইশাদা থৌদোক থোক্তনবা মশা-মশানা চেকশিনহৌনবা মীয়ামদা এৱ্যোর্নেস পীবা ওইনা, মেসেজ ওইনা ওর্গনাইজেসন অসিগী চৈথেং ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিজনা লেপ্পা লৈতনা ফিল্ম পুথোকপগী পান্দমদা নিংঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা মীয়ামদা খুদোলজবনি। লমদম অসিগী পীক্লিবা নুপীমচা কয়াদা শারমচৎ চৎপীখিবগী নুংঙাইতবা থৌদোক কয়াদা মরাইবক থিহনবীখ্রবী নুপীমচাশিং নীংবা কায়না হিংলিবা মখোয়গী মমা-মপা অমদি ইমুং-মনুংশিংদা থৌনা হাপ্পা, মখোয়গীদমক লমদমসিগী মীয়াম্না লেপ্লি হায়বা উৎপা অমদি মখোয়দা দেদিকেট তৌবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্মসিগী ষ্টোরি, স্ক্রিন প্লে, দিরেক্সননা ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি রোবিতানা পীবনি। এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরনা এন বিশ্বাজিৎ, কেমেরা অমদি এদিটরনা গুলসন মঙাংনি। ওর্গনাইজেসন অসিগা পাউফাওনদ্রিবা ক্লবশিংনা ৭০০৫৪৬২৩০০দা পাউ ফাওবীরকউ হায়রি।

## ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাইগী লাইশঙ হাংদুনা মীয়াম হুপ্না খুরুম্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ঙসি মেরাগী থানিল নুমীৎ অসিগী অয়ুক্তা ৱাংজিংদা মীয়াম্না ইরাৎচরিবা ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাইগী লোন্দুনা থম্লম্বা লাইশঙগী থোঙ হাংদুনা মীয়াম হুপ্না খুরুম্নখ্রে হায়না ৱাংজিং নিংথৌ হরাওবা থৌগল লূপকী সেক্রেটরি চোংথাম সঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুম খূদিংগী কালেন থামক্তদা পাঙথোকপা লাই হরাওবগী থৌরম হেক লোইবগা চহী চুপ্পা লাইশঙ থোঙ লোনশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী লৈরক্লি। অদুবু উমংলাই অসিবু নীংজরিবা মীওই কয়ানা থোঙ লোল্লিবা



ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাই লাইশঙগী থোঙ মমাঙদা লাই খুরুমদুনা অদুম্মক লাকখিবনি।

ঙসিদি হরাওবা থৌগল লূপনা কন্না হোৎনদুনা অখঙ-অহৈ, অমাইবা-অমাইবী অমদি খুলগী অহল-লমন কয়া য়াওনা ফমখিবা মীফম্না অকক্লবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা নোংমাইজিংগী অয়ুক খূদিংগী লাইশঙগী থোঙ হাংদুনা মীয়ামদা খুরুম্বা ফংহন্নবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। ঙসি হাংলিবা অসিগুম নোংমাইজিং খূদিংগী অয়ুক পুং ৭.৩০দগী অয়ুক পুং ৮.৩০ ফাওবা ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাই লাইশঙগী থোঙ হাংলগনি। মরম অদুনা লৈবাক মীয়াম্না নুমীৎ অসিদা লাকপীদুনা ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাই খুরুম্বীবা য়ারগনি অমদি মতিক ময়াই লৈরবা ৱাংজিং নিংথৌ উমংলাইবু মীয়াম্না খুরুম্বীয়ু হায়নসু ৱাংজিং নিংথৌ হরাওবা থৌগল লূপকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মেরা থাবুং মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : লাইনিংহল ইবুংঙো ফুন্দ্রেনা কুমজা ১৯৩০দা লিংখৎপীরম্বা অপোকপা মরুপ্পা কুমজা খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা মীতৈ ইপা-ইপুশিংনা হৌরকঙৈদগী য়াম্না লুবা নুমীৎ অমা ওইনা ইরাৎ থৌরম তৌদুনা লাকপা মেরা থাবুং (থানিল) নুমীৎ নীনি চুপ্পা অপোকপা মরুপনা থোংখোং কৈথেলদা লৈবা অপোকপা মরুপ শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়না অপোকপা মরুপ ১৯৩০গী থৌবুরেল নাওরেম তোম্বা মঙাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী চৎলিবা ওক্টোবর ৮দা অপোকপা মরুপকী ওইবা লৈবাক মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা থৌশিল লূপ এগজিক্যুটিভ মেম্বর ২১সু চহী ৩ থৌ পুনবা খনখি। লোয়ননা ঙসিগী নুমীৎ অসিদনা মেরা থাগী মরমদা তোঙান তোঙানবা অখঙ-অহৈশিং য়াওবা মীয়াম তীনবা মীফম অমা পাঙথোকখি। লোয়ননা অপোকপা মরুপনা মীতৈ লৈবাক অমদি মালেমদা লৈরিবা মীতৈ খূদিংমক্তা য়ুমথোঙ খূদিংমক্তা মেরা ৱায়ুংবীনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি অমদি মীতৈ ঐখোয়গীদমক মেরা থা হায়বসি কয়াগী মতিক মরুওই হায়বসি অমুক হন্না নীংশিংমিন্নরসি হায়রি।

## ‘অপীকপা শেনফম্না ইমুং পুজরিবা শিন্মীশিংবু কয়াম কুইনা ওৎপীখিগদগে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মতম শাংনা থবক তৌজরক্লবা কেজ্যুএল মাষ্টররোলদা অপীকপা শেনফম ফংদুনা ইমুং-মনুং পুজরিবা শিন্মী কয়াবু কয়াম কুইনা ওৎপীখিগদগে হায়না জোইন্ট কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে অবুংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহী মঙা খূদিংগী লেবর দিপার্টমেন্টনা মিনিমম ৱেজেজ রিভাইস তৌবীরম্বনি, এসেমব্লীদসু এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনসু অপীকপা শেনফম ফংজরিবা শিন্মী কয়াগী খনবীদুনা এসেমব্লীদসু পুখৎতুনা অয়াবা পীবীদুনা পাস তৌবীখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ওক্টোবর ১০ য়ৌরক্লবা ফাওবদা পে রিভাইস তৌবীদবা হায়বা অসি অপীকপা শেনফমনা ইমুং-মনুং পুবদা কয়া য়াম্না ৱারমগনি হায়বসি লৈঙাক অসিনা উবীদ্রবনিনা ঐখোয়বু নুংশিবী নৎত্রগা নুংশিবীদে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলে। হৌজিক্কী মতমদা লুপা ১০ পীবা পোৎ লৈত্রবা মতমদা থা অমদা শুপ্নগী লুপা ৬,৭৪০; লুপা ৭,৪৪০ অমদি লুপা ৮,১৯০ ফংলিবা অসিনা ইমুং-মনুং করম্না মেন্টেন তৌগদৌরিবনো। শিন্মী নুপা অমনা য়ামদ্রবদা ইমুং অমগী মী মঙা নৎত্রগা তরুক্তি অদুম্মক পুরিবনি। মরম অদুনা অপীকপা শেনফম ফংলিবা শিন্মীশিংগী দুকান নৎত্রগা বজার অমা লৈঙাক্লা থম্বীরো। মদু নৎত্রবদি হিংবদা য়াম্না ৱারে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মিনিমম ৱেজেজ রিভাইস তৌবীদুনা শিন্মী ঐখোয়গী পুন্সিবু কনবীয়ু হায়রি।

হৌজিক হৌজিকসু নিংঙোলশিংগী চাক্কৌবা মতমনি। অপীকপা শেনফম খরা অসিনা মচা-মশু খূদিংমকপু চাক্কৌগদৌরিবনি। হায়রিবা খূদিংমক অসি মীওইবা অমা ওইরুবনিনা চিথবা য়াবা নত্তে। মরম অদুনা মসি পুম্নমক অসি খন্থবীরগা অপীকপা শেনফমনা ইমুং-মনুং মেন্টেন তৌরিবা শিন্মীশিংগী খনবীদুনা মিনিমম ৱেজেজ রিভাইস তৌবীয়ু। পন্দুনা লৈরিবা পে অমদি গভর্ণমেন্ট ওর্দর থোক্তুনা অয়াবা পীবীখ্রবা ভি দি এ এরিয়ার নিংঙোল চাক্কৌবা নংনবা খুৎশুমল পীথোকপীদুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চহী অমদা অমুক্তং লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসিদা নিংঙোলশিংগী মমিৎতগী মপি তাহনবীগনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অরিবা লাইফল্লেনশিং শেমগৎকদবনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : অরিবা লাইফল্লেনশিং শেমগৎপা অসিনা টুরিজমদা হেন্না চাউখৎপদা নত্তনা হৌরকফমগী খোঙ্গুল লীবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি। উমংশিং অসি ঐখোয়না ইশা-ইশাগী থৌদাংনি খন্না য়োকখৎলবদি মহৌশাগী কায়থরক্লিবা খল অসিসু শোয়দনা কনবা ঙমগনি হায়না মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৰেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ফয়েং ইপা সোরারেন লাইফমগী নৌনা শেম্বা খোঙ কাখৎফম শঙ্গাবগী থৌরমদা মিনিষ্টর ঐচ দিঙ্গোনা মখা তারদুনা হায়খি, ফয়েংদা লৈরিবা উমং অসি কম্ম্যুনিটি রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওন্থোকপীনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা তকশিনখ্রে। হায়রিবা উমং অসি চহী ৬০ হেন্না ফয়েংগী মীয়াম্না ঙাক শেন্দুনা লাকপা উমং অমা ওইবা মরম্না মসিবু কম্ম্যুনিটি রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমা ওইহনবা অসি য়াম্না মতিক চাবা মরম অমা ওইগনি। মরম অদুনা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ফোরেষ্ট মিনিষ্টরগা তান্নদুনা কম্ম্যুনিটি রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফয়েং জি পিগী প্রধান অমদি খুলগী খুল্লাকপনচিংবসু শরুক য়াখি।